# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবশিং ফাগৎপা অমদি পোপি পান্থীশিং য়ান্থুৎপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

২) মণিপুর, রনজি ত্রোফি ২০২৫-২৬ গী ফাইনেল চংলে, ফাইনেলদা বিহারগা থেংনরগনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কোইম্বেতোরদা পি.এম. কিষানগী ২১ শুবা ইন্সটোলমেন্টকী লুপা কোতি লিশিং ১৮ য়েন্থোকখ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবশিং ফাগৎপা অমদি পোপি পান্থীশিং য়ান্থুৎপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- পামদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবগীদমক চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্থবগী থবক চথুরি। মসিগী মথক্তা অককবা পাউশিং লৌদুনা কোম্বিং ওপরেসন অমদি চিংনবা মফম খরা কোইশিন্দুনা থিবা হুন্থবগী থবক চথবদা নমদুনা শেল খায়বা অমদি আইন্না য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপসু লেপত্রি।

ঙরাংসু বিষ্ণুপুর জিলাগী তেরাা উরক ক্রোসিং চ্যেক পোইন্টতা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা প্রিপাক প্রোগী মীওই অমা ফারে। মহাক ইন্ফাল এরিয়াদা মীয়াম, করবাররৱালাশিং অমসুং দুকান্দারশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং কাংপোকপী ফোরেষ্ট দিভিজনগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং গামনোম, সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৌব্রু রিজার্ভ ফোরেষ্টতা লৈবা ফাইলেংকোট-মখান চীংশাংদা তোঙান তোঙানবা মফম ৬ তা লম একর ৫৩ রোম চাউবা মফমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। মফম অদুদা লৈরম্বা লৌতাংশঙ ৭ মৈ থাদোকখ্রে। থুম বেগ ৩৫ সু থুগাইদুনা মাংহনখ্রে।

এআর (এল)ঃ হন্দক্তা রাষ্ট্রপতি দ্রোপদি মুরমুনা নিউ দিল্লিদা মনা য়েন্থোকখিবা ৬ শুবা নেসনেল ৱাটর এৱার্দস ২০২৪ দা উখ্রুল জিলাগী সোমসাইদা লৈবা অসাম রাইফলসকী সেক্তর হেদক্বাটরসতা ঈশিং নিংথিজনা শিজিন্নবগীদমক বেষ্ট ইন্সটিট্যুসনগী মনা পীরক্লে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়- কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রালয়গী দিপার্টমেন্ট ওফ ৱাটর রিছোর্সেসনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদু সেক্তর হেদক্বাটরস অসিনা ঈশিং য়োকশিন্দুনা থমবা অমসুং মহৌশাগী খল কায়হন্দনবা পাঙথোকখিবা থবকশিংবু শকখঙবা ওইনা মনা অসি পীরকপনি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিংগী চীফ মেদিকেল ওফিসারনা লুচিংবা দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন য়ুনিতনা ঙরাং ককচিংগী জিবন হোস্পিতাল অমদি ইমা হোস্পিতালদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। কাংবু অদুনা হোস্পিতালশিং অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং অমসুং আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা স্কিমশিং চৎনহল্লিবা অদুগী ফিভমশিং য়েংশিনখি।

রনজি (এল)ঃ  মণিপুর, রনজি ট্রোফি ২০২৫-২৬ গী ফাইনেল চংলে। মথং চহিগী জনুৱারি ২২ দগী ২৬ ফাওবা চত্থগদবা ফাইনেল অসিদা মণিপুর অমসুং বিহার থেংনরগনি। রনজি ট্রোফি প্লেট গ্রুপকী টিম পোজিসনদা মণিপুরনা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। নদিয়াদকী গোকুল ভাই-সোমা ভাহ পাতেল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা কুচবিহার ট্রোফি প্লেট তুরনামেন্টতা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু রন ২৩২ দা মায়থিবা পীখি।

মণিপুরনা রনজি ট্রোফিগী ফাইনেল চংবা ঙম্লকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। মণিপুর টিমনা রনজি ট্রোফি প্লেট গ্রুপকী খ্বাইগী মকোক্তা লৈদুনা ফাইনেল চংলকপা অসি ঐখোয় পুমমক্কী চাউথোকচনিঙাইনি। ফাইনেলদা বিহারগা থেংনগদৌরিবা অসিদসু মণিপুর টিমনা চাউনা মায় পাক্লকবা মহাক্কী মাইকৈদগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। ঐখোয়গী শান্নরোইশিংগী হোৎনজমন্না ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা জাতিগী শান্ন-খোৎনবগী লমদা মণিপুর মচাশিংগী তৌবা ঙম্বা শক্তি অমুক্কা হেন্না উৎথোকপা ঙমলে। মণিপুর টিমগী শান্নরোইশিং, কোচশিং অমদি মরী লৈনবা ষ্টাফ খুদিংমকপু শ্রী বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

একজাম (এল)ঃ  অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল নিউজ য়ুনিটতা মণিপুরী লোলগী ওইনা ইদিটোরিয়েল একজিক্যুতিভ-নিডজ রিদর কম ট্রান্সলেটর লৌনবগী রিটন একজামিনেসন থা অসিগী ৩০ দা অকাশবানি ইম্ফালগী ওদিতোরিয়ম হোলদা অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল নিউজ য়ুনিতকী হেদ- থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎ সিংহনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইলিজিবল কেন্দিদেটশিংনা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৯ মখায় ফাওবগী মনুংদা একজামিনেসন হোলদা রিপোর্ট তৌরনবা হায়রি। কেন্দিদেটশিংনা আধার কার্দ, ভোটর আই.দি, দ্রাইভিং লাইসেন্স নত্রগা পাসপোর্টনচিংবা মশা মশাগী শক্তাকচে লোয়ন্নরক্কদবনি হায়রি।

পিএম ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা তামিলনাদুগী কোইম্বেতোরদা পি.এম. কিষানগী ২১ শুবা ইন্সটোলমেন্টকী লুপা কোতি লিশিং ১৮ গী শেনফম য়েন্থোকখ্রে। কোহম্বেতোরদা ঙরাং সাউথ ইন্দিয়া নেচরেল ফার্মিং সন্মিৎ ২০২৫ হৌদোকপগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি ১১ অসিদা লৌউ শিংউগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা অহোংবা কয়া উবা ফংলে। লৌউ শিংউগী পোত্থোক হেনগৎলকপদা নত্তনা লৌ উবা মতমদা লৌমীশিংদা সরকারনা অনৌবা মখলগী লৌউ শিংউগী টেকোলোশিং ফংহন্নবা হোৎনরি। শ্রী মোদিনা হায়- কিষান ক্রেদিৎ কার্দকী খুত্থাংদা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংদা তেংবাং ওইনা লুপা কোতি লাখ ১০ হেনবগী শেনফম পীখ্রে। বাইও ফরতিলাইজরশিংদা জি.এস.টি হন্থরকপদগী লৌমীশিংদা চাউনা কান্নবা পীরি।

বিহার ঃ   জে.দি.য়ুগী মকোক নিতিশ কুমার ১০ রক শুবা ওইনা ঙসি বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

পাটনাদা লৈবা ঐতিহাসিক ওইরবা গান্ধি মৈদানদা অয়ুক পুং ১১ মখায়দা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়াওনা শকাইবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি। শ্রী নিতিশ কুমারবু ঙরাং নেসনেল দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স (এন.দি.এ)গী লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি। এন.দি.এদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা দল ৫ গী নৌনা কারক্লবা এম.এল.এশিংগী অপুনবা মীফমনা শ্রী নিতিশ কুমারবু মুখ্য মন্ত্রি ওইননবা ৱারেপ লৌখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই ফেষ্টিভেল মপুং ফানা পাঙথোকবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি, শঙাই ফেষ্টিভেলগী মায়োক্তা কৌখিবা জেনেরেল ষ্ট্রাইকনা মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে অমসুং আর.এস.এসকী চীফ মোহন ভাগবত ঙসি

মণিপুরদা লাক্কনি হায়রিবা পাউশিং অসিনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেল অসি ইরাং তৌবগী নত্তে হায়না তুরিজম দিরেক্তরনা ফোংদোকখিবা ব্রাফম পোকফমদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

বোইকোট চরোংগী মরক্তা লৈঙাকা মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫ পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- শঙাই ফেষ্টিভেলগীদমক অকনবা মওংদা সেক্যুরিতিনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জেনেরেল ষ্ট্রাইকনা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে হায়না সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি গানফিউ মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

আর.এস.এসকী লুচিংবা মোহন ভাগবত নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙসি ইম্ফালদা লাক্ত্না ইন্তরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোক্কদৌরি হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হোদলাইন তৌরি।

শঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকবা খুমন লম্পাক্তসু শেমগৎলি হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

পাউচে অসিগী ইংলিস ইদিসনদা- সেপ্তেম্বরদা পি.এম. মোদিনা মণিপুরদা লাকপদা লুপা কোতি ৩০ রোম খরচ তৌখি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নাগালেন্দগী হোর্নবিল ফেষ্টিভেল পাঙথোকবা স্বিটজরলেন্দ, য়ুনাইতেদ কিংদম, ওষ্ট্রিয়া অমসুং মালতানা ওফিসিয়েল পার্টনরশিং ওইরগনি হায়না মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা শঙাই ফেষ্টিভেল বোইকোট মরক্তা কেন্দ্র সরকারনা আই.দি.পিশিংগীদমক লুপা কোতি ৫২৩ পীরকপগী পাউ মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

নিতিশ কুমারনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর অমুক হন্না ওইরগনি হায়না তমেংলোং টাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

জল জিবন মিসন চৎনহনবদা নিয়ম নাইদবা থৌওংশিংগী মতাংদা মণিপুর হাই কোর্টতা পি.আই.এল ফাইল তৌখিবগী পাউ গানফিউ মেলদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

------